**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-12-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মতম মতমগী লাকপা সমস্যশিং মায়োকবা ঙমবা রাজ্যগী পুলিস পার্সোনেলশিংদা ত্রেনি অমদি খুদোংচাবা খুদিংমক ফংহন্নবা থবক পায়খৎলগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পাংগৈদা লৈবা মনিপুর পুলিস ত্রেন্নিং সেন্টর অমদি ৱাইরি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হন্দক্তা ত্রেন্নিং লোয়খ্রবা আই.আর.বি. পার্সোনেলশিংগী লৈফম অমদি ফয়ারিং রেঞ্জনচিংবা শেমগৎ-শাগৎলিবশিংগী য়েংশিন খোঙচৎ অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অসামদগী ত্রেন্নিং লোয়দুনা রাজ্য অসিদা অমুক হল্লক্লবা আই.আর.বি. পার্সোনেল লিশিং ১,৯৪৬ গী মনুংদা লিশিং অমদি ৱাইরিদা লৈগনি। মখোয়দা মখা তানা অহেনবা ত্রেন্নিংশিং পীখিগনি অমদি হায়ৰে প্রোটেক্সন ফোর্স ওইনা শিজিন্নগনি।

শ্রী বিরেননা হায়-রাজ্য অসিদা মোব জষ্টিসকী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসি থিংনবা বটালিয়ন খুদিংদগী পার্সোনেল ৫০-৫০ লৌখৎতুনা মোব কন্ট্রোল তৌনবা স্পিসিএল ফোর্স শেমবগীদমক থৌরাং তৌবা লোয়রে। মখোয়দা মোব কন্ট্রোল তৌনবগীদমক চপ চাবা খুৎশু খুৎলায় অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং পীগনি।

মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা আই.আর.বি. অমদি পুলিস পার্সোনেলশিংগী ইমুং মনুংগী অহল লম্মনশিংনা এম.এল.এ.অমদি মন্ত্রিশিংদা ত্রান্সফর পোষ্টিংগী মতাংদা ৱাচৎ ৱানোম তৌবাগনু। মখোয় অসি লৈবাক্কী সেবা তৌগনি হায়না থোরক্লবনিনা মতিং লৈনা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী সেবা তৌনবা পুকিং থৌগৎপীয়ু। পার্সোনেলশিংনা পোষ্টিং মফম থাদোক্তুনা য়ুমদা চৎপগী হৈনবী অমা লৈরিবা অসি তৌহন্দনবা মরী লৈনবা বিভাগনা থবক পায়খৎনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা খঙহনখি।

**বিজেপি (এল)ঃ** বি.জে.পি. মনিপুরনা হায়রি-রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা কংগ্রেস দলনা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবীগনু। ইরাং অসিদা রাজনিতি তৌদুনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা হায়বসি অফবা নত্তে। মসিগী মহুৎতা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা অরোইবা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং য়ামিন্নসি।

ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দল অসিগী রাজ্যগী জেনরেল সেক্রেটরি-পি.প্রেমানন্দনা হায়-হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি ৱারোইশিন পুরকবা মতম মতমগী ওইনা সরকার অসিনা সি.এস.ওশিংগা লোয়ননা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিদা কনগুম্বশিংনা লাননা শন্দোক্তুনা সরকার অসিবু মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরকপবু দল অসিনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। শ্রী প্রেমানন্দনা হায়-রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

**বোম (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কানটো শাবলদা লোকেল মেদ রোকেট অমা ঙসি অয়ুক লৌবুক্তা তাদুনা লৈরম্লে।

রোকেট অদু পুলিসনা লৌখৎলগা অশোয় অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

**এক্সিদেন্ট (এল)ঃ** ইম্ফালগী নিত্যপাক চুথেক্তা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা মীওই অমা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ঈশিং পুদুনা লাকপা ত্রক অমগা এক্তিভা অমগা থেংনজিন্নবদা এক্তিভা অদু থৌরকপা মীওই অদু লৈখিদ্রে হায়রি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা কেস লৌখৎখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অদু লংথাবাল খৌপুম কবুই খুলদগী হায়রি।

**মৈ (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইননা য়াদবা মওংদা মৈ থাল্লম্বশিং এম.এস.পি.দি.সি.এলগী ওফিসিএলশিংনা কঞ্জ্মর ১৬ ফাগৎলে। কঞ্জুমরশিং অদু আই.ই.দি. ৱান দিভিজন এরিয়াদগী অমা, আই.ই.দি. টু দিভিজন এরিয়াদগী তরা অমসুং আই.ই.দি. থ্রি দিভিজন এরিয়াদগী মঙা পুন্না ১৬ নি।

অমরোমদা, মৈগী খাজনা থিদবগী কঞ্জুমর মঙা অমসু মৈ ককথৎখ্রে। মখা তানা দ্রাইব চত্থখিগনি হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**দিআইপিআর (এল)ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) মনিপুরনা চহি খুদিংগী পুথোকপা কেলেন্দর অমদি দাইরি, জানুৱারী অহুমদগী মীয়ামদা ফংহল্লগনি। কেলেন্দর অমদি দাইরি অসি ইম্ফালগী নিত্যপাক চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আর. কমপ্লেক্সতা ফংগনি হায়না দি.আই.পি.আরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**এনআইটি (এল)ঃ** লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ইঞ্জিনিয়ারিং ইন্সটিট্যুসনশিংগী মনুংদা এন.আই.টি. মনিপুর অসি ১২৯ শুবা মফমদা লৈরে।

হয়েং পাঙথোক্কদবা এন.আই.টি. মনিপুরগী ১১ শুবা কনভোকেসন থৌরমগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ইন্সটিট্যুট অসিগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-ডা: দি.ভি.এল.এন. সোমায়া জলুনা হায়-ইন্সটিট্যুসন অসিনা মনিপুরদা লৈবা অতৈ সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুসনশিংদগী সাইন্টিফিক পাব্লিকেসন মশিং হেন্না তৌদুনা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈরি। ইন্সটিট্যুসন অসিগী সিভিল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা মপান লৈবাক্কী ইন্সটিট্যুসনশিংগা এম.ও.য়ুশিংসু সহি তৌনখ্রে।

শ্রী সোমায়া জলুনা মখা তানা হায়- ১১ লক শুবা কনভোকেসনগী থৌরম

অসি হয়েং লাঙ্গোলদা লৈবা ইন্সটিট্যুসন অসিদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি-ভুবনেশ্বরগী ফোরম দাইরেক্তর-প্রোফেসার-রতনম ভি. রাজাকুমার অমদি এন.আই.টি. মনিপুরগী বোর্ড ওফ গভনরসকী চেয়ারপার্সন-বজরংলাল বগ্রানচিংবা শরুক য়াগনি।

**সিপিআই(এল)ঃ** কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) গী চহি ১০০ শুরকপগা মরী লৈননা চহি অমা চুপা পাঙথোক্কদবা কুমওন থৌরম ঙসিদগী ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিএল হোলদা হৌদোকখ্রে।

সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দল অসিগী রাজ্যগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমদি থৌমীশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দল অসিগী ষ্টেট সেক্রেটরি-এল. থোইরেননা হায়-কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া অসি ইং ১৯২৫ গী দিসেম্বর ২৬ তা উত্তর প্রদেসকী ইন্দষ্ট্রি সিটি-কানপুরদা লিংখৎখি। দল অসিনা ঙসি ফাওবদা মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক চপ চাবা থৌদাং লৌদুনা থবক তৌদুনা লাক্লি। চহি অমা চুপা পাঙথোক্কদবা পালন থৌরম অসিগী ইরোইননা মনিপুরগী ৱাথোক খুদক্তা লোয়শিল্লু, সেফ কন্সটিট্যুসন, সেফ দেমোক্রেসি, সেফ মনিপুর, সেফ হ্যুমেনিতিগী খোল্লাউশিং থমদুনা মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক মখা তানা থেংনখিগনি।

থৌরমদুদা, হান্নগী মন্ত্রি অমসুং সি.পি.আই. লুচিংবা ডা: মোইরাংথেম নরা, দল অসিগী কন্ত্রোল কম্মিসনগী চেয়ারমেন-লাঙ্গোল ইবোয়াইমা অমদি হান্নগী দলগী সেক্রেটরি-এল. সোতিনকুমার শরুক য়াখি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** মহাত্মা গান্ধিনা ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতি (এ.আই.সি.সি) গী অহানবা প্রসিদেন্ট ওইখিবগী চহি ১০০ শুবা নীংশিং থৌরম সেন্টিনারি কমমেমোরেসন বেলাগাভি এ.আই.সি.সি. সেসনগী থৌরম মনিপুর প্রদেস

কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম.পি.সি.সিগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি। লোয়ননা সি.এল.পি. লিদর-ওক্রম ইবোবীনা লুচিংদুনা দল অসিগী লুচিংবশিং অমদি কর্মিশিংনা মহাত্মা গান্ধিগী মুর্ত্তিদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**থঙ্গা (এল)ঃ** মহৈরোইশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনদ্রবদি অফবা ওজানা তাক্লবসু মদুগী কান্নবা ফংলোই। মরম অদুনা মহৈরোইশিংনা মশা মশাগী মথৌ খঙনা মহৈ মশিংগী লমদা মায় ওনশিন্নবা এম.এস.পি.সি.এলগী চেয়ারমেন অমদি এম.এল.এ-তোংব্রম রোবিন্দ্রেনা ফোংদোকখ্রে।

থাঙ্গা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ক্লাস নাইন অমদি টেনগী মহৈরোইশিংগী থা মরি চথুগদবা ফ্রি কোচিং ক্লাস ঙসি থাঙ্গা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা টি. রোবিন্দ্রোনা হায়-লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা অসিনা মহৈরোইশিংগী মহৈ মশিং তম্বগী লমদা শোকহল্লিবা অসি য়েংলগা খজিক্তং ওইরবসু মেনখৎনবা হায়দুনা অসিগুম্বা ফ্রি কোচিং অসি পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মীওইবা অমগী পুন্সি অসি হিংবদা য়ামা লুই অদুবু ইশাদা হোৎননিংবগী ইহুল য়াওরবদি য়ামা লায়। এম.এল.এনা মহৈরোইশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শাখি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** নুমিৎ হুমনি চথুগদবা ৩১ শুবা মনিপুরি সোর্ট স্তোরি সোসাইতি ইন্দিয়াগী চহিগী মীফম অমদি সোর্ট স্তোরি ফেষ্টিবেল ঙরাংদগী অসামগী শিব সাগরগী মনুং চনবা বোরকোলা মীতৈ খুলদা হৌখ্রে।

থৌরম অসিদা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদগী লাকপা অইবা-অইবী ১০০ রোমনা শরুক য়াখি। অদুগা অইবা-অইবী ৭০ রোমনা মশানা ইবা ৱারী মচা পাথোকখি। ৱারী মচা পাখিবশিংদা এপ্রিসিয়েসন সার্টিফিকেট অমদি

মোমেন্টো খুৎশিন্নগনি।

**ৱাবগাই (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী ৱাবগাইগী অপুনবা এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা সিটিজন্স এসোসিয়েসন ফোর রুরেল দিবলপমেন্ট (কার্ড)-ৱাবগাইগী ২৮ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি ৱাবগাই য়াংবী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কার্ড ৱাবগাইগী জেনরেল সেক্রেটরি-য়েংখোম সুসিলোনা হায়-লাক্কদৌরিবা চহি অসিদা চিঙ্গাক্তা মীপাল তাংদবা ঐখোয়গী পোৎথোকা ইশাগী ইরমদমগী মীওইশিং পুক থলহনবা হায়বসিদা লৌবুকশিং অশঙ অমাননা থলহন্দুনা মতম মতমগী পোৎথোকশিং পুথোকবা হোৎনমীন্নসি। ৱাবগাইদা লৈরিবা খরুংপাৎ অসি মহৌশাগী ফিভমদা হনজিলহননবা পুন্না থবক লৌখৎমীন্নরগনি হায়খি। মপান লমদগী পাইরক্তুনা পাৎ অসিদা চাক্তরিবা উচেকশিংগী চাক্তফম অমসু শেমগৎতুনা উচেকশিং মশিং থিবগী থবকসু রেঞ্জ ওফিসার-ককচিংগা পুন্না হৌরগনি হায়না ফোংদোকখি।

**এমেস্কো (এল)ঃ** লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী অমদি নুংশি চান্নবা পুরকবগী পান্দমদা এমেস্কোনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা তেংনৌপল জিলাগী হৈককপোকপী তরাউ ভিলেজ অমদি কাংপোকপী জিলাগী শম্বল তাংখুলদা খৃষ্টমাসকী কুম্মৈ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এমেস্কোগী থৌমীশিং অমদি খুঙ্গাশিংনা পুন্না শরুক য়ামিন্নখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নহাশিংগী শক্তি অসিনা মরম ওইদুনা মালেম অসিনা ভারত্তা অচৌবা আশাগা লোয়ননা য়েংলি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙসি পাঙথোকখিবা বির বাল দিবসতা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিনা নহাশিংদা অহেনবা শক্তি পীবগী

থৌশিলদা অকনবা মীৎয়েং চংলি। মহাকা হায়-স্তার্টঅপ ইকো সিষ্টেম, স্পেস ইকোনোমি, স্পোর্টস, পোৎ-চৈ শাবা উদ্যোগ, স্কিল দিবলপমেন্ট নৎত্রগা ইন্টরনসিপ স্কিমনচিংবগী থৌশিল থৌরাং খুদিংমক্তা নহাশিংদা মীৎয়েং থমলি অমসুং মখোয়গী কান্নবগীদমক থবক পায়খৎলি।

মহাকা হায়-ঙসিদি স্তাটঅপতগী হৌরগা বিগ্যানগী লম কয়াদা, শান্ন খোৎনবদগী হৌরগা ইন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ ফাওবদা নহাশিংগী শক্তিনা চাউনা অওনবা পুরক্লি। শ্রী মোদিনা হায়-হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংগী ইনোভেসনগী ৱাখল্লোন পুকিং থৌগৎপা ওইনা অটল তিঙ্করিং লেব লিশিং ১০ গী মথক্তা হাংদোক্লে।

**ইসি ঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা হায়রি-২০২৪ গী লোক সভা মীখলদা ভোটর কোতি ৬৪ লাখ ৬৪ না ভোট থাদখি। অদুগা নুপী ভোটর মশিংনা চাদা ৬৫.৭৮ ওইদুনা নুপা ভোটর মশিংদগী চাউনা হেনখি।

পোল বোদি অসিনা পুথোকপা ষ্টেটিষ্টিকেল রিপোর্ট ৪২ গী মতুং ইন্না দাটা অদু পুথোকখিবনি। ২০২৪ গী লোক সভাগী রিপোর্টতা হায়-চহি অসিদা ভোট থাদখিবা থার্দ জেন্দরগী ভোটর মশিং চাদা ২৩.৫ দা হেনগৎখি। ২০১৯ দা ত্রান্স জেন্দর ভোটর মশিং চাদা ১৪.৬৪ ওইখিবদু ২০২৪ গী মীখলদদি চাদা ২৭.০৯ দা হেনগৎখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়-২০১৯ গী সধারন মীখলদা অমুক হন্না ভোট থাদখিবা পোল্লিং মশিং ৫৪০ ওইখি। অদুবু, হন্দক্কী মীখল অদুদদি পোল্লিং ষ্টেসন ৪০ খক্তমক ওইখি। চেরোল অমদা কম্মিসননা হায়-দাটা সেট অসিনা একাডমীসিয়ান, রিছার্সসর অমসুং মীখল অসিগী মরমদা নৈনবা মীওইশিং য়াওনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা চাউনা কান্নবা ফংহনগনি।

**সিসিপিএ ঃ** সেন্ত্রেল কঞ্জুমর প্রোটেক্সন ওথোরিতি (সি.সি.পি.এ) না ২০২২

অমসুং ২০২৩ গী য়ুনিয়ন পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন পরিক্ষাগী ফলগী মতাংদা লান্না লমজিংগদবা এদভরটিজমেন্ট তৌবগীদমক কম্পিটিটিব কোচিং ইন্সটিট্যুট অনিদা লুপা লাখ তরেৎ-তরেৎ অদুগা অতোপ্পা ইন্সটিট্যুট অমদনা লুপা লাখ অমগী ফাইন থিনবা খঙহনখ্রে।

সি.সি.পি.এনা ইন্সটিট্যুটশিং অদুদা খুদক্তগী অসিগুম্বা লান্না লমজিংগদবা এদভরটিজমেন্টশিং তৌবা লেপবসু হুকুম তৌখ্রে। চেরোল অমদা কঞ্জুমর এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না হায়-খোঙথাং অসি কঞ্জুমরশিংগী হক ঙাকবা অমসুং পোৎ নৎত্রগা সার্ভিসকী মতাংদা লান্না লমজিংগদবা অরানবা এদভরটিজমেন্টশিং তৌদনবগীদমক লৌখৎপনি।

**দিবস ঃ** গুরু গোবিন্দ সিংহ জিগী মচা অনি-সোতে সয়িদ জাদে সিংহ-বাবা জোরাৱাল সিংহ জি অমসুং বাবা ফতে সিংহ জিনা সয়িদ ওইখিবগী নীংশিং থৌরম ওইনা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা চহিগী সাহিদি সভা ধর্ম্মগী চৎনবীগা লোয়ননা পঞ্জাবকী ফতেগর সহিবতা হৌখ্রে।

ধর্ম্মগী ওইবা থৌরম অসিগী হৌদোকপা ওইনা শ্রী গুরু গ্রান্থ সাহিব জিগী অখন্দ পাথ ঙরাংদগী গুরু দুৱারা জ্যোতি স্বরুপতা হৌখ্রে। গুরু দুৱারা জ্যোতি স্বরুপ অসি সহিব জাদা অনিগীনা মবোক অদুগা গুরু গোবিন্দ সিংহ জিগী অপোকপীগী-মাতা গুজ্রি জিগী শেংলবা সমাধিনি।

**পঞ্জাব ঃ** লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী য়ুমথোঙশিংদা থকবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা পাইপ ৱাটর চাদা চামগী চাং য়ৌবা ঙম্বা রাজ্যশিংগী মনুংদা পঞ্জাব মঙাসুবা রাজ্য ওইরে।

পঞ্জাবকী ৱাটর সপ্লাই অমসুং সেনিতেসন মন্ত্রি হরদিপ সিংহ মুরিয়ন্না হায়-থৌরাং অসি কেন্দ্র সরকারগী হর ঘর জল স্কিম মখাদা পায়খৎপনি। লুপা কোতি লিশিং ২,১৭৪ চংনা খুঙ্গং লিশিং ১,৭০৬ তা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কোকবা

প্রোজেক্ট ১৫ পায়খৎখি। প্রোজেক্টশিং অসিনা ইমুং লাখ ৪ গী মীওই লাখ ২৫ দা কান্নবা ফংহল্লে। মসিগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী খুঙ্গং খুদিংমক ওপন দিফিকেসন ফ্রি ষ্টেটস ওইরে। থৌরাং অসি স্বাচ ভারত মিসনগী মখাদা পায়খৎখিবনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, খাইদেম গীতচন্দ্রদগী--**

**লুৱাং(এল)ঃ** মনিপুরগী মৈরাবা লুৱাংনা বি.ডল্লিয়ু.এফ. নেপাল ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জ-২০২৪ গী চেম্পিয়ন ওইরে।

বি. ডল্লিয়ু.এফ. বেদমিন্টন এসিয়া কোফেদরেসনগী মখাদা নেপাল বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শিনদুনা লৈবাক অদুগী ত্রিপুরেশ্বরদা চথরকপা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ফাইনেলদা মৈরা লুৱাংনা বি.এম. রাহুল ভারতদুৱাজবু ২১-১৭, ২১-১৬ তা থোইদুনা টাইতল অসি লৌবনি।

**সন্তোস(এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা হায়দ্রবাদকী তেলঙ্গানাগী দেকান এরেনা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ত্রোফিগী ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা মনিপুর অমদি দিল্লি হৌজিক লম্বা থেংনরি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা হয়েং কেরলা অমদি জম্মু কাশ্মিরগা নুংথিল পুং অনি মখায়দা লম্বা থেংনগনি। মেঘালয়া অমদি সাভির্সেসনা হয়েং নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা লম্বা থেংনগনি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা